# হুইয়েন লানপাউ

Vol. 42, Issue No.179 | থাংজ, লাংবন ১৩নি পানবা, | অপুনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Saturday, September 22, 2018, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


সাহিত্য কেন্দ্র গুৱাহাটিগা জে এন মণিপুর দান্স একাদেমি ইম্ফালগা খূৎশম্নদুনা শীনবা ১১শুবা সাত্রিয়া সঙ্গিট সমারোহ থৌরমগী শক্তম



লামায় ৩

প্রধান মন্ত্রি জন অরোগ্যা যোজনা মণিপুরদা লৈবা লন্নাই হোস্পিটাল অমদি দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিংদসু চৎনহন্নবগী এগ্রীমেন্ট খূৎয়েক পীনবা



লামায় ১

ন্যু দিল্লিগী হেন্দলূম হটতা পাঙথোকপা নেসনল হেন্দলূম এক্সপো (জন নেতা ইরাবত) ২০১৮গী থৌরমদা ইন্নর মণিপুরগী এম পি ডো. মৈন্য শরুক যাবা



মোব লিঞ্চিংদা লৈখিদ্রবা ফরুককী ইমুং-মনুংগী মীওইদা ষ্টেট লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লুপা লাখ ২গী শেনফম মিনিষ্টর করাম শ্যামনা শীন্নবা




## থাউগী মমল

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট

পেট্রোল : লিটরদা লুপা ৮০.৪৬
দীজল : লিটরদা লুপা ৭১.৮৬

## মীশি-মীনা য়াওবা খোঙজং চথবা হৌরগনি : মুসু

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ : মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (মুসু)না মীশি-মীনা য়াওবা খোঙজং কয়া চথবা হৌরগনি হায়না মুসুগী ফাইনান্স সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অদুনা হায়, এম য়ুদা নোর্মেলসি পুরকপা ঙম্লদ্রবা মতুংদা ষ্টেট লৈঙাক্না লোয়ননা এম ঐচ আর দিগী জোইন্ট সেক্রেটরি য়াওনা পূন্না য়ানখিবা এম ও এ অদুগী মতুংইন্না অনৌবা ভি সী (আই/সী) অমদি রেজিষ্ট্রার (আই/সী) হাপ্পুনা হান্নগী মতৌগুম নোর্মেলসি পুরকখ্রে। নুমিৎ ২/৩গী মমাংদা এম য়ু এক্ট ২০০৫ গী ৱাংমদা প্রো ভি সী অমা হাপচিন্দুনা নোর্মেলসি থুগায়রকপা অসি মুসুনা খোইশাউনবা পোক্লে। এম ও এ অদুগী মতুংইন্না ইনক্বারিসু মপূং ফানা হৌখ্রবনি। এগজিক্যুটিব কাউন্সিলগী মীফম ফমদনা ভি সী (অন্দর সস্পেন্সন)না প্রো ভি সী হাপচিনবা ...মখা লামায় ৩ কলম ১



### অ ঈং-অশাগী পাউ

| মফম | খ্বাইদগী শাবা | খ্বাইদগী ঈংবা |
|---|---|---|
| বিষ্ণুপুর | ২৮.৫০ °C | ২২.৪৭ °C |
| চান্দেল | ৩০.৯৬ °C | ১৭.১৭ °C |
| সীসীপুর | ২৭.৪৫ °C | ২২.৩০ °C |
| ইম্ফাল | ৩১.৬৯ °C | ২১.৯২ °C |
| সেনাপতি | ২৭.১৬ °C | ১৬.৫৫ °C |
| তমেংলোং | ২৪.৯৭ °C | ২০.৮২ °C |
| থৌবাল | ২৭.১৫ °C | ২০.৬৫ °C |
| উখ্রুল | ২১.৬৩ °C | ১৬.৩৬ °C |
| মণিপুর | ৩১.৭৪ °C | ১৬.৩৬ °C |

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ৩.৪২ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.০৩
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.১২
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

### FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 84.946827 |
| US Dollar | 72.187543 |
| British Pound | 95.210711 |
| Australian Dollar | 52.611789 |
| Chinese Yuan Renminbi | 10.543961 |
| Japanese Yen | 0.640140 |
| Malaysian Ringgit | 17.471420 |
| Norwegian Krone | 8.864989 |
| Singapore Dollar | 52.942107 |
| South Korean Won | 0.064704 |
| Swedish Krona | 8.214903 |
| Turkish Lira | 11.487331 |
| Myanmar Kyat | 0.04436 |
| Bangladesh Taka | 0.86298 |

### Spot Gold (24K) Rates/10gm

| | | |
|---|---|---|
| Chennai | – | Rs 31390.37 |
| Mumbai | – | Rs 32352.94 |
| Delhi | – | Rs 32085.56 |
| Kolkata | – | Rs 32363.64 |

### HL POLL

Q : MU gi campus manungda security force thajinbagi thouong achumbani haina loubra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes [ ] No [ ]

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Nong manglasu, leichil tharasu paiba yadaba helicopter service na meeyamda kannahangani khanbra?

Yes 21% No 79%

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা

### অস! লোইরেহে!

পান্দে লাইনিকো, য়েলহৌমী মশেল শিনহনদৌরে কিদ্রো...!



মানা ঙন্বসি ইন্টর্নেট ফাওবা থিংই!

# এম য়ুগী কেম্পস সিক্যুরিটি ফোর্সনা খূদুম চনশিনখ্রে

## অহিংদা লান্দাদুনা ফাখিবা মহৈরোয় ৭ অমসুং ওজা ৬ কৈশুমশঙ য়ৌখ্রে, এম য়ুদা টোটেল সট দাউন লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচ এন এস):

ঈংনা চিক্লা লৈজরম্বা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী কেম্পস মনুংদা হৌখিবা অহিংদা মণিপুর লৈঙাক্না মশীং য়াম্লবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং থাজিন্দুনা রেইদ চথহনখ্রে। এম য়ুগী কেম্পস হৌজিক-হৌজিকমক সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা খূদুম চনশিল্লগা লানবন অমগুম্না থমখ্রে।

অহিংদা লান্দাদুনা হোষ্টেল অমসুং ক্বার্টরদগী ফারগা পুখিবা মহৈরোয় অমসুং ওজা ৯০ হেনবগী মনুংদা মহৈরোয় ৭, ওজা ৬ কৈশুমশঙ য়ৌখ্রে। মহৈরোয় অনীনা নুমিৎ মঙানিগী পুলিস কষ্টদি রিমান্দ লৌথরগা থমখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস পিনা ঙসি নুমিদাং থোকখিবা চেরোল অমগী মতুংইন্না কৈশুমশঙ য়ৌখ্রে হায়রিবা মহৈরোয় তরেৎ অদুদি, নম্বোল অৱাং লৈকায়দগী এম য়ুগী বোইজ হোষ্টেল নম্বর-১দা লৈবা লাইশ্রম রোনাল্ড (২৭) অপোকপগী মিং রাজেন কুমার, ককচীং খুনৌদগী লাংথবাল কুঞ্জ অৱাংদা লৈবা খুমুকচম জয়চান্দ (৩৩) অপোকপগী মিং কে ঐচ গোকুল, ককচীং মোইরাংথেম লৈকায়দগী বোইজ হোষ্টেল নম্বর-২দা লৈবা ময়েংবম সন্তোশ (৩১) অপোকপগী মিং এম সর্জিৎ, কোংবা নান্দৈবম লৈকায়দগী বোইজ হোষ্টেল নম্বর-১ দা লৈবা পাঙম্বম রোমাজিৎ (৩৫) অপোকপগী মিং পি রঞ্জিৎ, লমদেং মখা লৈকায়দগী খুন্দ্রাকপম সুশিলকুমার (২২) অপোকপগী মিং ইন্দ্রকুমার, কৈশামথোংদগী পিতর লাইশ্রম (২৭) অপোকপগী মিং এল সিংহজিৎ অমসুং মোরে ৱার্দ নম্বর-৩দগী লেনিন মাতে (২৬) অপোকপগী মিং জামহাওনি।



কৈশুমশঙ য়ৌখ্রবা ওজা তরুক অদুদি, ৱাবগাই লৈরক অচৌবদগী এম য়ুগী ক্বার্টরদা লৈবা দিপার্টমেন্ট ওফ আর্টস সাইন্সকী নাওরেম সনাতোম্বা (৩৯) অপোকপগী মিং মৈনো, ককচীং লাই লৌখোল লৈকায়দগী এম য়ু কেম্পসতা লৈবা দিপার্টমেন্ট ওফ আর্টস সাইন্সকী য়েংখোম রঘুমণি (৪৬) অপোকপগী মিং ৱাই ইবোমচা, মোইরাংখোম লোকলাওবুংদগী ফিলোসোফি দিপার্টমেন্টকী হেদ ডো. লাইময়ুম বিশ্বনাথ (৫৪) অপোকপগী মিং লৈখিদ্রবা বির্জিৎ শর্ম্মা, ককচীং খুঞ্জাও লৈকায়দগী রেজিষ্ট্রার ইন-চার্জ ডো. শৌগাইজম দোরেন্দ্রজিৎ (৬০) অপোকপা এস চাওবা, শিংজমৈ ৱাইখোম লৈকায়দগী এম য়ু ক্বার্টর টাইপ ৫ তা লৈবা বাইওটেক্কী প্রো. লাইশ্রম সঞ্জুকুমার (৫১) অমসুং কৈশামথোং এলাংবম লৈকায়দগী দিপার্টমেন্ট ওফ লিঙ্গুইষ্টিক্কী ওজা চুংখাম যসোবন্ত (৬২) অপোকপগী মিং নোয়োনচান্দনি।

পুলিসনা ফারগা মখা তানা ৱাহংপাউহংনবা পুলিস কষ্টদি রিমান্দ লৌখ্রবা মহৈরোয় অনী অদুদি ৱাংজিং সোরোখাইবম লৈকায়দগী বোইজ হোষ্টেল গেষ্ট হাউস রূম নম্বর ২০১ দা লৈবা মুসুগী কলচরেল সেক্রেটরি লাইশ্রম রোবিন্দ্রো (২৪) অপোকপগী মিং মণিতোন অমসুং শিংজমৈ চীংঙামখা ইরোম লৈকায়দগী ইকোনোমিক্স দিপার্টমেন্টকী মহৈরোয় ইরোম কেনেদি (২৪) অপোকপগী মিং সটিশকুমারনি। মখোয় অনীমক থা অসিগী ২৫ ফাওবা পুলিস কষ্টদি রিমান্দ লৌখ্রে।

হোষ্টেলদা লৈরম্বা মহৈরোয় খরনা পাউচে অসিদা হায়খি, হৌখিবা অহিং নোংয়াইদা ইখঙ খঙহৌদনা মশীং য়াম্লবা পুলিস পর্সনেলশিং এম য়ুগী কেম্পস মনুংদা চঙশিল্লকখি। মাংজৌননা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকপা লৈতনা হোষ্টেলগী কাশিংদা চঙননবা হোৎনরকখি। পুলিস পর্সনেলশিংগী থৌওং অদু মহৈরোয়শিংনা য়ানিংখিদে। মদুনা মরম ওইরগা ৱাফম খরা ঙাংনখি। তুংদা পুলিস পর্সনেলশিং অদুনা হোষ্টেল মনুংদা টিয়র গ্যাস সেল কয়ামরুম কাপশিল্লকখি। মদুনা মরম ওইরগা মহৈরোয় কয়ামরুম অশোক-অপন য়াওখি।

কঙাওননা লৈরিবা মহৈরোয়শিং অদুগী মনুংদগী মহৈরোয় ৮০ রোম পুলিস কম্যান্দোগী পর্সনেলশিং অদুনা ফারগা পুখি। এগজামগী লাইরিক-লাইশু পাজরিবা মহৈরোয়শিংদা টিয়র গ্যাস কাপশিনবা অদুনা মরম ওইরগা হোষ্টেল মনুংদা লৈবা ঙমদবদগী কয়া অমা চেন্থোক্লরকখি। অসুম্না নোংঙাল্লমদায়গী পুং ৩ ফাওবা ওপরেসন চথরবা তুংদা মহৈরোয়শিং, ওজাশিং অমসুং ক্বার্টরদা লৈরিবা মীপূম খূদিংমক হাউস এরেষ্টকুম্না মপান থোকহন্দনা থমখি। অয়ূক্কী নুংথিলগী মতমদসু মশীং য়াম্লবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা হোষ্টেল পূম্নমক্কী অকোয়বদা চাইথোক্লগা লৈখি। নুপীগী হোষ্টেলশিংদসু সী আর পি এফকী মহিলা বট্টালিয়নগী পর্সনেলশিংনা কনামত্তা মপান থোকহন্দনা থমখি।

অয়ূক্কী পুং ১০ রোম তারকপদা প্রো ভি সী কাঙুজম ...মখা লামায় ৩ কলম ২

### মোবাইল দাটা নেটৱার্ক থিংজিনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচএনএস):

মালেমগী ওইনা ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিগী মতেংনা পুন্সিরোলদা চাওনা অহোংবা পুরক্লবা মতমসিদা মাংজৌননা খঙহল্লম্বা তৌদনা ঙসি অয়ুক্তগী মণিপুরদা মোবাইল দাটা নেটৱার্ক থিংজিনখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসতগী ফংবা পাউগী মতুংইন্না মোবাইল ইন্টরনেট সর্ভিস অসি নুমিৎ মঙানি চুপ্পা থিংখিগনি। মসিগী মরুওইবা মরমদি মীয়ামগী পুন্সিরোলদা চাওনা অকায়বা পীরকপা য়াবা লো এন্দ ওর্দরগী ফীভমননি হায়রি। অদুমওইনমক ব্রোদ বেন্দ ইন্টরনেট সর্ভিসতি মহৌশাগুম্না অদুমক য়ারি।

মোবাইল নেটৱার্ক থিংজিনখিবা মরম্না মণিপুরগী মীয়ামগী পুন্সিদা শাথীনা খূদোংচাদবা মায়োক্নহল্লে। মোবাইল ইন্টরনেটকী খুথাংদা চল্লাইবা নেটৱার্ক বেঙ্কিং পুম্নমক ফেল ওইহল্লে। মোবাইল ফোন শীজিন্নরিবশিংগী রিচার্জ হাপ্পদা অপনবা থোক্লে। মহৈরোয়শিংনা ঈ-পাউ লৌথোক লৌশিনদা অকায়বা পীরে। লৈঙাক্কী অসিগুম্বা থৌওং অসিবু মায়কৈ কয়াদগী য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরক্লি।

## ডা. সোইবম ইবোচা অমসুং ওইনাম সুনিল ষ্টেট ইনফোর্মেসন কম্মিস্নরশিং ওইনা খনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচ এন এস) :

থবক্তগী পোথারবা আই পি এস ওফিসর ডা. এস ইবোচা অমদি ওইনাম সুনিলবু ষ্টেট ইনফোর্মেসন কম্মিস্নরশিং ওইনা খল্লে হায়না মণিপুর লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট ওফ পর্সনেল এন্দ এদমিনিষ্ট্রেটিভ রিফোর্মস (এদমিনিষ্ট্রেটিভ রিফোর্মস দিভিজন)না লাউথোকখ্রে।

দেপ্যুটি সেক্রেটরি (এদমিনিষ্ট্রেটিভ রিফোর্মস) এ শিবদাসনা থোকখিবা নোটিফিকেসন অমনা হায়, ডা. ইবোচা অমসুং ওইনাম সুনিলনা থবক পায়বগী মতম অমদি সার্ভিস কন্দিসন রাইট টু ইনফোর্মেসন এক্ট ২০০৫ গী সেক্সন ১৬ কী সব-সেক্সন (২)না পীবা প্রোভিজনগী মখা পোনগনি।





কুমজা ১৯৫৮দা পোকখিবা ডা. এস ইবোচানা কুমজা ১৯৭৯ দগী কুমজা ১৯৮৩ ফাওবা মহারাজা বোধচন্দ্র কোলেজদা লেকচরর ওইরম্লগা কুমজা ১৯৮৩ দগী হৌখিবা ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## মণিপুরদা দিক্টেটরগী লৈঙাক চল্লাইরে : ও ইবোবী

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচ এন এস):

হৌখিবা অহিং নোংয়াই মতুংদা মণিপুর লৈঙাক্না সিক্যুরিটি ফোর্সেসশিংনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী কেম্পসতা চঙশিল্লগা টিয়র গ্যাস সেল কয়া কাপশিনবতা নৎতনা মহৈরোয়শিং অশোক-অপন নংহনখিবা থৌদোক অদু মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সী সী)না অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখ্রে।

বি টি রোদতা লৈবা কোংগ্রেস ভবনদা ঙসি পাউমীশিংগা উনবা অমদা এম পি সী সীগী লেজিসলেচর লীদরসু ওইরিবা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা হায়খি, এম য়ুদা পোষ্ট গ্রেজ্যুএট তম্লিবা মহৈরোয়শিংগী হৌজিক-হৌজিক এগজাম চথরিবনি। মহৈরোয়শিংনা এগজামগী লাইরিক পাবা হায়বসি মৈ মুথৎলগা পাবা য়াবা নত্তে। মহৈরোয়শিংনা নুমিদাংগী মতমদা এগজামগী লাইরিক-লাইশু পাদুনা হোষ্টেলদা লৈরিঙৈ চৈরক্তা ষ্টেট য়ুনিভর্সিটিসু নৎতবা সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটিসু ওইরিবা এম য়ুগী কেম্পসতা লৈরিবা মহৈরোয়শিংগী হোষ্টেলদা চঙশিল্লগা মখল কয়াগী টিয়র গ্যাস সেল কাপশিনখিবা থৌওং অসি মীপূম খূদিংমক্না কন্দেম তৌফম থোকপা থৌওংনি। মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা অসিগুম্বা থৌওং অসি তৌনদবা থবকনি। করিগুম্বা অনৱান্টেল ইলিমেন্টশিংগী চিংনবা লৈবা তারবসু মতম খরা পীরগা লাউদ স্পিকর শীজিন্নদুনা থোক্লকউ হায়রগা সর্চ ওপরেসন চথবা ফাওবা য়াবনি। অদুবু, ইখঙ খঙহৌদনা য়ুনিভর্সিটি কেম্পসতা লৈরিবা হোষ্টেলশিংদা টিয়র গ্যাস কাপশিনবতা নৎতনা মহৈরোয়শিং অশোক-অপন নংহনখিবা অমদি ফাজিনবগী থৌওং অসি দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক্তা থোকপা য়াম্না নুংঙাইতবা থৌদোকনি।



ষ্টেট লৈঙাক্কী এক্সন অসি য়ুনিভর্সিটি ওঠোরিটিনা মখোয়দা সিক্যুরিটি মথৌ তাই হায়রবা মতমদা কদায় ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

## অসাম রাইফলসকী শেমজিন শাজিনবা ৱাফমনি : আর পি এফ

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ : হৌখিবা সেপ্টেম্বর ১৮গী নুমিদাং পুং ৯.৩০ তাবা মতমদা ইন্দো-ম্যান্মার বোর্দরগী উংজায়া খুলদা লৈবা পি এল এগী কেম্প অমদা বোম পোকখায়বদা পি এল এ অহুম শিরে হায়না অসাম রাইফলসনা লমদমসিগী পাউচেশিংগী খূথাংদা ফোঙদোরক্লিবা অসি ওইদবা শেমজিন-শাজিনবা ৱাফমনি হায়না রেভল্যুসনরি পিপলস ফ্রন্ট (আর পি এফ)কী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি পব্লিসিটি বঙ্কিমনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, অসাম রাইফলসনা পল্লক্লিবা উংজায়া খুলদা পি এল এগী কেম্প লৈতে অমসুং লূপ অসিগী কেম্প অমত্তদা বোম পোকখায়খিবগী থৌদোকসু থোকখিবা লৈতে। মরম অসিনা অসাম রাইফলসকী ৱাফম অসিদা মীয়াম্না থাজবীগনু।

হৌখিবা সেপ্টেম্বর ৯দা কাংপাৎ খুনৌ অমসুং খুল্লেনগী মরক্তা ৩১শুবা অসাম রাইফলসকী মথক্তা পি এল এগী টেক্টিকেল কম্মান্দগী অখন্নবা কাঙবু অমনা অমসুং হৌখিবা জুলাই ১৯ দা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী আইবোল খুলদা লৈবা ২৯শুবা অসাম রাইফলসকী মথক্তা পি এল এগী ২৫১ শুবা মোবাইল বট্টালিয়ন অমসুং এম এন পি এফকী অপূনবা লান্মী শঙলূপনা মায় পাক্লা লান্দাখ্রবা মতুংদা ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

## পি এম-জে এ ৱাই হয়েং সী এমনা লোঞ্চ তৌরগনি : জয়ন্ত

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচ এন এস):

প্রধান মন্ত্রি জন অরোগ্যা যোজনা (পি এম-জে এ ৱাই) থা অসিগী ২৩ দা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লোঞ্চ তৌরগনি। পি এম-জে এ ৱাই পায়খৎনবগীদমক ইম্পেনেল তৌরবা ষ্টেটসিগী প্রাইভেট অমদি লৈঙাক্কী হোস্পিটাল কয়াগা এগ্রীমেন্ট খূৎয়েক পীনরে হায়না হেল্থ মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

সেক্রেটরিয়েটকী কনফরেন্স হোলদা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা হেল্থ মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা হায়খি, ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা অখন্নবা মীৎয়েংগা লোয়ননা পায়খৎলক্লিবা পি এ-জে এ ৱাই থা অসিগী ২৩ দা লোঞ্চ তৌরগনি। ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরনা নুমিৎ অসিদা নেসনৱাইদকী ওইনা লোঞ্চ তৌগনি। ষ্টেট অসিদসু চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা নুমিৎ অসিদা লোঞ্চ তৌগদৌরি। পি এম-জে এ ৱাইগী মখাদা অনালায়েংদা লুপা লাখ ৫ ফাওবা মতেং ফংহনগদৌরি। চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাং (সী এম ঐচ টি)সু অদুমক লৈগনি। সী এম ঐচ টিদনা লুপা লাখ ২ ফাওবগী লায়েংবগী তেংবাং পীরি। লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়ীশিংনা অনা-অয়েক য়াওরকপদা লায়েংবগীদি রিইম্বর্সমেন্ট লৈ। লৈঙাক্কী থবক তৌহৌদবা অমদি লায়রবা কয়াগীদি লায়েংবগী রিইম্বর্সমেন্ট লৈতবা কয়া অসিসু ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## হৈরোক্তা এদিটর নিপানদা ইকায় খুম্নবা উৎখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচ এন এস):

লময়ানবা ইরাবত নীংশিং থৌরম পাংবা কাঙলূপনা শীন্দুনা থাবুম অমা চথুগদবা লময়ানবা ইরাবত নীংশিং থৌরমগী শরুক অমা ওইনা হৈরোক কৈথেলদা য়াওল মীতমখিবা নুমিৎ থৌরম পাঙথোকখিবগা লোয়ননা এদিটর ৮ দা খূদোলপোৎ পীদুনা ইকায় খুম্নখ্রে।

মণিপুর প্রোলেটেরিএট পিপলস দেমোক্রেটিক য়ুনিয়ন এম পি পি দি য়ু অমদি মসিগা ৱাখল্লোন মান্নবা লূপশিং মথংশিৎনা সোসলিষ্ট ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ মণিপুর (এস এস য়ু এম), প্রোলেটরিয়ন ফেমিনিষ্ট মুভমেন্ট মণিপুর অমদি সোসলিষ্ট ৱিমেন এসোসিএসন মণিপুরনা পূন্দুনা শেম্বা লময়ানবা ইরাবত নীংশিং থৌরম পাংবা কাঙলূপনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ঈ-পাউগী লম্দা মথৌনা লৈনা মীয়ামগীদমক হোৎনরিবা এদিটর ৮ খনগৎতুনা ইকায় খুম্নখি। ইকায় খুম্নবা উৎখ্রবা এদিটরশিং অদুদি, ইম্পেক্ট টি ভিগী চীফ এদিটর ৱাই রূপচন্দ্র, হুইয়েন লানপাউগী এদিটর হেমন্তকুমার নিংঙোম্বা, আই এস টি ভিগী এদিটর মাইবম হেলেন্দ্রো, সনালৈবাককী এদিটর কৃষ্ণমোহোন, কংলা পাউগী এদিটর লাবঙ্গো, ইম্ফাল টাইমসকী এদিটর খুমুকচম রিঙ্কু, সঙাই এক্সপ্রেস (মণিপুরী)গী এদিটর খোগেন্দ্রো খোমদ্রাম অমসুং ইমেজ টি ভি ককচীংগী এদিটর উত্তমকুমার নাওরেমনি।





থৌরম অদুগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা এস এস য়ু এমগী সেক্রেটরি ভুষন লোংজমনা হায়খি, লময়ানবা ইরাবতকী নীংশিং থাবুমগী মনুং চন্না য়াম্না মচং ওইবা নুমিৎ অমনি। কুমজা ১৯৪৮কী সেপ্টেম্বর ২১ দা থোকখিবা ...মখা লামায় ৩ কলম২

## নেসনল রিপেন্টেন্স দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

### পুৱারীদা য়ূম্ফম ওইরগা পূন্না হিংমিন্নবগী ৱাখল্লোন শাগৎপা চঙই : নবকুমার

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচ এন এস):

পুৱারীদা য়ূম্ফম ওইরগা পূন্না হিংমিন্নবগী ৱাখল্লোন শাগৎপা চঙই হায়না এম য়ুগী প্রো. দল্লিয়ু নবকুমারনা ঙসি নেপ্রা মেঞ্জোর পুখ্রি মপাল কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা নেসনল রিপেন্টেন্স দেগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।



কোলিসন ফোর ইন্দিজিনস রাইট কেম্পেন মণিপুর (সির্কা)না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা প্রো. দল্লিয়ু নবকুমারনা হায়খি, পুৱারী ইবা হায়বসি অয়াম্বনা খুন্নাইদুগী য়াইতোং খমদোংবশিংনা ইরম্বা ঙাক্তনি। নিংথৌনা য়াবা মওংদা ইরম্বনা অয়াম্বনি। অশেংবা পুৱারীগী মশকশিং অদু খঙননবা হোৎনবদা অচম্বা মীয়ামগী ওইবা মীৎয়েংদা ইবা সোসল হিষ্টরি য়াম্না মরু ওই। সোসল হিষ্টরিদা য়ূম্ফম ওইরগা হিংমিন্নবগী ৱাখল্লোন শাগৎপা তাই। খুন্নাইবু নুংশিবগী ৱাখল্লোন কোকহনবা হায়বসি য়াম্না মরুওইবা অমনি।

লমদমসিগী লৈহাওদা চুংশিন্ননা মহৈ-মশিন তম্লকখিবশিংনা লমদমসিবু নুংশিবা পোক্কনি। লমদমসিগী পাৎ, তুরেলগা নক্লনা হৌরকখ্রবশিংনা মরমদমবু নুংশিবগী ৱাখল্লোন লৈগনি। হৌজিক্কী মতমদা লমদমসিদা লৈরিবা ঐখোয়না মীপান তাংদ্রবদি শীংবা ঙম্লরোইদবা মওংদা ৱাখলদা ফাওহল্লক্লিবা কয়া অসি করিননো হায়বসি নৈনবা চঙই। মপান লমদগী পুশিল্লকপা পোৎলমশিং শীজিন্নরগা হিংবগী ৱাখল্লোন অসিনা মীপান তাংবগী ৱাখল্লোন ফাওহল্লক্লিবশিং অসিগী মতাংদা থিজিনবা তঙাইফদে। পুৱারীগী অৱাবা তাঙ্ককশিং ঐখোয়না নীংশিংবা তঙাইফদে। মর্জর এগ্রীমেন্ট খূৎয়েক পীনখিবা নুমিৎ অসিবু নেসনল রিপেন্টেন্স দে (পুৱারীদা থোকখিবা ...মখা লামায় ৩ কলম৬






HL-P/5255/21/08-22/09